ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ০১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪৪শুবা মশীং

পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১০ লৈখিদবা

নোংম-নোংমগী ফীভম লুশিল্লক্লব্রা হায়বসি কুপ্না নৈনবা চুমগনি

মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস চহীসিগী মার্চ ২৪দা থেংনখ্রবা মতুং নবেম্বর ৩০ ফাওবদা অপূনবা কেস মশীং লিশিং ২৫ হেনখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীংসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্তুনা নবেম্বর ৩০ ফাওবদা ২৮১ শুখ্রে। হৌখিবা নবেম্বর ২৯গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকখিবা চেরোল অমনা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১০ লৈখিদ্রে হায়রি। পুং ২৪গী মনুংদা অহানবা ওইনা মীওই ১০ লৈখিদবা অসি মণিপুরগী ওইনদি রেকোর্দনি। হৌখিবা নবেম্বর ২দসু মীওই ৯ লৈখিদবা থেংনখ্রবনি। হৌখিবা থাশিংদা নোংমদা য়াম্লবদা মীওই ৬/৭ তগী হেন্না লৈখিদবা থেংনদনা লাকপনি। অদুবু নবেম্বর থা অসিদদি নোংমদা শিবগী মীশিং অসি ১০ ফাওবা য়ৌরকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা নবেম্বর ২৭তা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা অনৌবা গাইদলাইনশিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা নুমীদাং পুং ৬ তগী অয়ুক পুং ৪ ফাওবা নাইট কর্ফিয়ুসু থমখিবনি। মতম খরা নাইট কর্ফিয়ু লৈরুদ্রবা মতুংদা অমুক হন্না থল্লকপা হায়বসি লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী ফীভম লুশিল্লক্লে হায়বগী খুদম অমনি হায়বদা লাল্লোই খল্লি। অনৌবা গাইদলাইন অসিগী মতুংইন্না সোসল অমসুং রিলিজিয়সকা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মীওই ২০ দগী হেন্না পুনবদসু অথিংবা থমখ্রবনি। অদুবু অথিংবা অসি কদায় ফাওবা মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপগে অমদি মরী লৈনবশিংনা অথিংবা অসিবু ঙাক্লা চৎহন্ননবা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎলিবগে হায়বসিদি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

পুং ২৪গী মনুংদা রেকোর্দ ওইনা মীওই ১০ লৈখিদবা থেংনরবা অসি ফাওবদা মীয়াম্না নোংম-নোংমগী লায়না-লাইচৎ অসিবু থৌওইরক্তবগী মতৌ অদুদি ময়েক শেংনা উরি। মীয়াম তীনবা মফমদা ফেস মাস্ক শুংশোয় শোয়দনা উপকদবনি, মী অমগা অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা ফিট ৬কী অরাপ্পা থমগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অদু ষ্টেট অসিগী মফম খূদিংমক্তা ঙাক্লা চৎপগী মমি তাদে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা হোম আইসোলেসনদা লৈরিবশিংগী মতাংদসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা নীংথিনা য়েংশিনবগী মতৌ উদে। নৌনা নাইট কর্ফিয়ু থল্লকপদগী নুমীদাং পুং ৬কী মতুংদা মীয়াম্না মরম চাদনা লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী চাংদি হন্থখ্রে। অদুমকপু লুহোংবা, শোরাৎ, উসব, নাহুৎ-নারেংনচিংবা থৌরমশিংদদি মীওই ১০০গী মথক্তা অদুমক পুল্লি। মতৌ অসিমক্লা হায়রিবা থৌরমশিং অসিদনা হেন্না লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা হৌখিবা মতমশিংদা লাউথোকখিবা গাইদলাইন কয়াসু মীপুম খূদিংমক্লা ঙাক্লা চৎপগী মমি তাদনা লাক্লি। অনৌবা গাইদলাইন অসিসু মীপুম খূদিংমক্লা ঙাক্লা চৎত্রি। মসিমক্লা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা অপনবা অমদি ওইরিবনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙসিদগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সেরো সর্ভিলেন্সকী থবকসু পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিনা কদায় ফাওবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিনবদা মতেং ওইগদগে হায়বদুসু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙদ্রি। মীওই কয়া অমা লায়না-লাইচৎ অসি নারমগনি হায়বগী চিংনবা লৈরবসু টেষ্ট তৌবগী মহুৎতা তুমীন্না লৈশিন্নবগী মওং অমসু লাক্লি। মতৌ অসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিনা মতম খরগী মতুংদা হেন্না খুদোংথিবা নংহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরিবনি। পুন্নমক অসি য়েংলগা লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি ষ্টেট অসিদা নোংম-নোংমগী ফীভম লুশিল্লক্লব্রা হায়বসি কুপ্না নৈনবা চুমগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেট্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) নন্দ থিয়াম - (১, ২, ৪, ৫)
২) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায়- (১, ৩)
৩) কোন্সম সেলুংবা মৈতৈ, থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)
৪) পুখ্রিহোংবম সিল্লেমা, য়াইরিপোক - (১, ২, ৩, ৪, ৫)
৫) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১, ২, ৩, ৪, ৫)
৬) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২, ৩, ৫)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪, ৫)
৮) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১, ২, ৩, ৪, ৫)
৯) চিরোম সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১, ২, ৩, ৪, ৫)
১০) এল অমরজিৎ শর্ম্মা, কোহিমা- (১, ২, ৩, ৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬কী ৱিন্নর

পুখ্রিহোংবম সিল্লেমা, য়াইরিপোক (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)

লিটরেরি ক্যুইজ ৬কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম দিসেম্বর ০৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬কী পাউখুম

১) ডা. কমলগী 'মাধবী (১৯৩০) নোবেল পুথোকখিবগী মতুং ইকুই কুইদনা মণিপুরগী নিংথৌগী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা থোকপা খৎনবদা য়ূম্ফম ওইবা হিষ্টরিকেল নোবেলনি হায়নবা অমা লাল মমাঙদা পুথোরকই। মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না শোন্নরিবা নোবেল অসিগী মমিং করিনো, কনানা ইবনো?
:- 'লবঙ্গ লতা' কৌই। খ্বাইরাকপম চাউবনা ইবনি।
২) 'ঙাওচৎনরবা লাইপোক' হায়বসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী মমিংনি। লাইরিক অসি কনানা করি লোলদা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- বিষ্ণু প্রভাকরনা হিন্দি লোন্দা ইবা 'অৱারা মসীহা'; হন্দোকপনা আই এস কাংজমনি। লাইরিক্কী মখলনা বাইওগ্রাফিনি।***
৩) 'ঐগী ৱারেং' হায়বা ৱারেং লাইরিকসি মপূং ওইনা করি হীরমদা নৈনবনো অমসুং অইবসি কনানো? ***:- মীতৈশিংনা পাম্না চৎনরিবা অরানবা থাজনবীদা করেম্নদুনা নাওরিয়া ফুলোনা ইবা লাইরিকনি।***
৪) 'করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো?" হায়বসি য়াম্না পাম্নবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি লিরিসিষ্ট অসিগী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? ***:- 'ঈশৈ বিনোদিনীগী' হায়বা অরিবম শ্যাম শর্ম্মা অমসুং অয়েকপম কমলা অনীনা এদিট তৌবা লাইরিক্তগীনি।***
৫) 'অৱাং কৌব্রু চীংলৈশং পামেল থক্ত ওংব-লৈ, লৈরাং শাৱোং হায়রগা তাওবা হুইমৈ মানবা লৈ, নৌৱা খূত্তা পায়রোনে হায়বদুনা পীবদগী খোরিফাবা কপ্পা তোক্তুনা লৈরাং মাবু পায়রগা খেক্লা-খেক্লা নোকখরে।" লৈরাং অসিগী কোলোই মমিং করিনো? ***:- 'লৈশং খেকৱাইবা' কৌই।***

কাউথিন-কাউথিন মরক্তা নোকফেৎ-নোকফেৎ!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২৭

জিতেন নামৈরাকপম

$558,000
$500,000
$244,000
$304,375
$168,000
$150,000
$117,000
$116,000
$13,500

ঙসিসিবু করি নুমিৎনো ... শুরু-শুরু, মুরুম-মুরুম ... কোকফা অসিমগা হোৎল-হোৎলদুনা - উম, ঙরাং খরা হেঞ্জিনখিবগী মচিৎতুবু লৈরিবা জাৎলা? কোয়থি থিগে তৌরকান্দা কোয়ফং ফংবগী টাইপ্তা পৱা অমা হায়দি থায়নগী চেপ্তা লিক্লি কায়দো মদুগী চাংদুদা ফংলে। কয়াদি হরাওরে, নুংঙাইরে। মমল হায়রপ তাঙই হায়বা য়ারবা 'সিক্সটিন য়রস গ্লেন্দিভিট স্কোটস' হ্বিস্কি প্রিমিয়ম, মদুসু অতাঙবনি হায়রম্বনি ইনাওনুপা থিকাদারনা। ঙাংশং ঙাংনা হাল্লিবা লিক্লিনি। মদুদা লুপা লিশীং ৮/৯গুম্বদি পীরমগদ্রা খল্লি। পিকক্র পিকপা গ্লাসতু থনকোক তৌনা পুদ্রুক-পুদ্রুক হৈজিল্লগা মহাও খঙনা ঈশিং য়ান্দনা হৈজিল্লে। থক্কে খন্না হৈজিল্লবা গ্লাস অদু থাঙ্গৎলগা শেংখিবদা ঙাইরিবা কোলগেট অঙাংবগী মনম কোক্ত্রিবা চিনবান অনীগী কারক অসি য়ৌফাৎত্রিঙৈদা ইচানুপী অহলনা খংলাউ লাউরকই, খংপ্রেকপু খংগে তৌই - "বাবা, বাবা সিদা লৈরে তু চাঙাং, বাবানা পাম্বা বিস্কিট খোঙনেৎ।" ত্রে অমদা হাপ্লগা পুরকপনি। অনীরক শুনা চিংগে তৌরম্বা থনকোকপা অঙাংবা ওনখ্রবা গ্লাস অদু নাকলদা খংথম থম্মী। ইচানুপী অদুদি লাইবক ফবদগী হায়গদ্রা হন্না য়েংলমদনা চৎখি। খল্লি - "বাবা নঙগী হৌনবী হৌরব্রা, ঙন্তা অসিদা লিভরগা লোইনা তৎপা তারে, অবোক্কী ফিরোই লোইবা কুইদ্রিকো চেকশিল্লু"- হায়রম্বা ৱাদি নত্তেকো, হায়রম্বা য়াই হায়জবগী ৱানি। অসুম্না খন্না-খন্না মনিল কারিবা চাঙাং গ্লাস অদু অফিং অফাই ওইনা থাঙ্গৎতুনা লিপ সিপ তৌরুববু খংপোক পোকই, কামথোকই। অমুকসু খল্লি, লৈতোন অসিদি হোরেন ফজরনি মোরোক শারপ তৌবা শোইবুম ইরোনবগী মহাও, হাউরদৌ পোৎনি। ইচাগী থৌগল অদুদা নুংঙাইত্রে খরদি থকপীরগে-চাবিরগে খন্না থায়না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পাম্না চাজরকপা বিস্কিট অলফাবেটকী এস মানবা খোঙনেৎ হায়নবা বিস্কিট মতেক অমা চাঙাং গ্লাসতুদা লুপ্তুনা য়ারক অসিদা ইনশিন্দুনা লৈতোননা ওক্লুববু অমুক্লসু পোকই, অমুকসু কামথোকই। কান্নপোত্তে মসিদি খন্না ঙসাইগী থনকোক তৌবা পেগ-তুমা খুচিং অমুক্তা থদৎলি। তস! কমদৌই। ঙরাংগী মনিল লোইদ্রিঙৈগী ঙাউরপ নুংঙাইরকপগী নিশা অদু খুদক্তা কারকই। ঙসাইদগী ইজরল্লিবা অসি য়ু গ্লাস অমগী হৌরকফম অমদি লোইশিনবগী ৱারীনি।

মণিপুর অসি প্রোহিবিসন ষ্টেট অমা ওইখ্রবা চহী ২৭শুখ্রবা লৈবাক মচা অমনি। য়ু থকপা-য়োনবা থিংখিবা মতম অদু য়াঙ্কুং, কাকা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, মিনিষ্টর অদুগা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা আর কে রনবীরগী মতমদগীনি। য়ু থকপা য়োনবা শুকয়া হেক য়াররোই হায়দুনা নহারোলশিংনসু মখোঙদা, করিদা কাপ্তুনা হাৎপফাওবা য়াওখ্রবনি। ককচীংলোমগী মান্তক হায়বা খুল অদুদদি অনী অহুম ফাওবা শিখ্রবনি। মদুদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা খুল অদুদদি অমুক হন্না য়ু শুকশুং শুংখিদ্রে হায়না তাজে। মদুমক্তি অফবা খোঙথাং অমনি। মান্তক খুলগী মতৌ তমদুনা অতোপ্পা খুলশিং নৎত্রগা সেদ্যুল ত্রাইবশিংগী খুলশিংদা লাইনীং লাইশোনগী মীংদা য়ু দবল-দবলদা শুংলগা থাদোরক্তুনা মণিপুরদা য়ুগী ঈচাও থোক্লিবা অসিসু থোক্লক্লোই খঞ্জে। য়ু হায়রগা খংনোক-খংনোক নোক্লিংলকই ঐদি। মণিপুরদা য়ু থিংনা-থিংনা তোর্ব্বান মচেৎ মচেৎ কায়দুনা পাথোরকপগী টাইপ্তা হৌজিকসু য়ুগী ঈচাও থোক্লি। য়োন্দবা, থক্তবা মফম লৈতে। সেকমাই, অন্দ্রো, ফয়েং, লৈত্রামগী মমিংশিংগী মথক্তগী হৌজিক্তি তাইরেনপোকপী হায়ব্রা মদুদগী থাদোরকপা প্লাষ্টিক বোট্টলদা হানবা য়ু মখল-মখলগী মমিং কন্না চৎখৎলক্লি। মমিংকদু লেবেলকা নিংথিজনা নপ্ল-নপ্লদুনা মশা নান্না থাদোরক্লি। য়ু পামজবা কাঙবুনা য়াম্না হাউনা থক্লরি। মমিংশিংদুবু করি-এ 'নোকফেৎ নোকফেৎ', 'কাউথিন' হায়মাল্লে। নোকফেৎ নোকফেৎ নোক্লগা পেন্নবা থকপীয়ু হায়বা মাল্লি, অমনা অমুক কাউথৎনরগা, থিন্দৎনরগা লান মচেৎ-মচেৎ শোক্লরগা-নম্লরগা রেষ্টলিং তৌনরগা অঙম্বদা প্রাইজ পীবগী মওংদা য়ৈন-য়ৈনদুনা থকমিন্নৌ হায়বগী মওংলা অমদি ওইরমনি। অদুবু মদুগী বোট্টলশিংদুদা হাল্লিবা য়ুশিং অদুবু থায়না ঐখোয়না থকখিবা নমথীবগী মনম অমত্তদি য়াওবা থেংনদে। ঈশিংদা করি করি য়ানশিন্নবনো খঙজদেকো। থক্লুরবদি ঙাওফিং-ঙাওফিং তৌই। য়ুবুদি য়ুনি হায়বা খঙই। অতৈ খুন কয়াদগী থাদোরকপা মমিং জাৎ-জাৎ থোনবা য়ুনা মণিপুরদা পুমচাই চাইরে। য়ু থকপা ঐখোয়দবুদি থোইদোক্লা হায়নীংঙাই লৈতে। য়ু থিংবা, থকচদবা কাঙবুদদি শোয়দনা শাউনীংলমগনি। য়ু থকপবু করি কান্নবগে? অমাঙবমক্তনি। শেলসু তিংবা, হকচাংসু মাঙবা, মীনসু মৱা লৌবীদবা, সোসল ক্রাইসিস মখল মখলসু থোকহনবা য়ু, নহাক্কী কান্নববু করিনো? পূন্নমক অসি খঙন-খঙনা থকপা কাঙবুনদি পাম্না থক্লরি। মতাং অসিদা হেন্না নীংশিংনীংঙাই ওইবা মরম অমনা য়াঙ্কুং আর কে রনবীরগী মতমদা মণিপুরদা য়ু থিংখিবা নুমিৎ অদু পাঞ্জিনা নুমিৎ লান্না লেপখিব্রা হায়বসি ইশাদা ৱাহং ওইজরি। চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বদুদি লৈখিদবা কুইরে। নুমিৎ অদু কাউদ্রি কুমজা ১৯৯৩গী এপ্রিল ১নি। এপ্রিলগী তারিখ ১ এপ্রিল ফুল নুমিৎতগী হৌনা মণিপুরদা প্রোহিবিসন এক্ট চলাইবা হৌখিবা য়ু বন্দ, নিশা বন্দ হৌজিকসু এপ্রিল ফুল তাদুনা লৈহৌরে। মসিখক্তনি হায়জনীংবা। মীয়াম্না ৱারৌবীরোই খঞ্জে। ●

কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১৭

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

অমুকসু, হীরম খুদিংদা শোখরিবা মালেমগী লৈবাক কয়াদনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ করম্না থেংনগদগে খল্লিঙৈ অতৈ খুদোং চাদবা মায়োক্লরিবা মতাং কয়াদি - চাবা ফংদবগী অৱাবা; নুমিৎ খুদিংগী অনাবা অমদি অশিবা মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপসিনা মরম ওইরগা লায়নাসিগী ভাইরসসিনা হিংহৌরিবশিংদা মখা তানা শোকহল্লক্তনবা হোৎনবতদা হেন্না অৱাবা কয়ানি হায়বা য়াই।

মালেমগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী ভাইরসনা পীরিবা চৈথেংসিদি মীচান মীরাই নাইদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী প্রসিদেন্ট কয়া, প্রসিদেন্টকী লোয়নবী (ফার্ষ্ট লেদি), ভাইস প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর কয়া, চীফ মিনিষ্টর কয়া, মিনিষ্টর কয়া, এম পি, এম এল এ, ব্যুরোক্রেট ওফিসর কয়া, য়ুনিফোর্ম শেৎপশিং, লায়নাসিগী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনা থবক তৌরিবা সাইন্টিষ্ট কয়া, ডোক্টর কয়া, নর্সশিং, পেরামেদিকেল ষ্টাফ কয়া, লৈঙাক্কী/খুন্নাইগী য়াইতোং ফমদোংবা মীয়াম্না মশক খঙনরবা মীওইশিং (মালেমগী ওইবা থাক্তসু), শিনফম খুদিংমক্তা লৈবশিং, মীচম মীয়াম (মালেমগী ওইনা), শম্না হায়রবদা লায়র-অনংদগীনা নিংথৌ হায়বদি লৈঙাক্কী অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংবদগী ফরকখিবা/ফংনরিবা কয়া অমনি। তুংদসু চৈথেং ফংনবা কয়া অমসু শোয়দনা য়াওরকখিনি। হৌজিক মালেমগী ওইনা লৈরিবা ফীভমসিদদি তুংদা মীওই কয়া অমদা চৈথেং ফংহন্নিংদে হায়বা য়াগদবসু মান্দে, ঙমসু ঙমখিরোই।

কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা/পীরকপা চৈথেংসিদি মালেমগী লৈবাক কয়াদা মান্নদবা, মওংসু থেংনবগী ৱাফম পাউচেশিংদা ইনখিবা থেংনখি। খরা অমদনা কনবদগী খরা হেন্না ফনবা/ইন্দিয়া মনুংগী ওইবদা ইরমদমসিদসু লায়না লাইচৎসিগী কনবা কন্দবগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়বগী মতুংইন্না - এসিমটোমেটিক, মাইল্ড, সিমটোমেটিক হায়দনা মওং অহুম থোক্লা লৈবা/থেংনবা ওইনা তৌই। মখোয়শিংগী ওইবা কনবা/কন্দবগী মতুংইন্না মেথমেটিক্সকী মওংদা হায়বা তারবদি

কনবদা :-	শোনবদা :
সিমটোমেটিক > মাইল্ড > এসিমটোমেটিক;	সিমটোমেটিক < মাইল্ড < এসিমটোমেটিক।

মালেমগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী মওংশিং মান্নবা/মান্নদবা ৱাফমদগী থৈদোক্লগা ইরমদম মণিপুরদা লায়নাসিগী লাইচৎ শন্দোকপগী মওংদি অহানবদা, মপান লমদগী চঙলকপা মীওইশিং - ইরমদমগী য়েলহৌমীশিং ওইরবসু মপান লমশিং (ফোরেন কন্ত্রি য়াওনা) দা মহৈ মশীন তম্লুবশিং, অৱাংবা থাক্কী মহৈ মখা তমথবা চৎলুবশিং, শেল তান্নবা মীরমদা থবক তৌরুবশিং, অনা অয়েক্লা মরী লৈননা চৎলুবশিং অমদি মাইগ্রেন্ট ৱার্কর্শিং (মীরমগী), ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদগী লল্লোন ইতিক/ময়োল লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং - খরদগী কোভিদ-১৯ শন্দোরকই লৌনরম্মী। পোজিটিভ ওইবা য়াওরম্বদগী লায়েংলগা ফবসু য়াওখ্রে। লৈঙাক্লসু লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎ লৌখৎনা ইরমদমসিদা লায়নাসিগী চৈথেং হেনগৎপদি লেপ্তে। অদুদগীদি লায়নাসিগী চৈথেং ফংবসি অমুক ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈবা হায়বা অমা, নন ত্রাভেল হিষ্ট্রি হায়বদি মপান লমদা চৎলুবসু লৈতবা হায়বা অমগা পূন্না লায়নাসি শন্দোক্লবগী মওং অনী শুরকপদগীদি খুন্নাইদা লায়নাসিনা নাবা মীগী মশীং খংহেন হেনগৎলকপনি হায়বদা থোইনা লানগদৌবা মান্দে। হেন্না কিনিংঙাই ওইরিবদি লায়নাসিগী লায়ওং মাল্লগা তাকথোক্তনা লোৎশিল্লগা লৈবা য়াওবদগী, মীয়াম মরক্তা পুনবসু লেপ্তুবদগী ওইরমগদ্রা হায়বসিনি। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌবশিং, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা বেঙ্ক/ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংগী থৌমীশিংগী মরক্তা অমা/কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবা খরা হেক য়াওরকপদা লৈঙাক্কী লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মফমদুগী লৈঙাক্কী ওথোরিটি ওইরিবা দি সীনা লোইশঙবু ওইরবসু/মফমদুবু ওইরবসু কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা লোইশঙ ওইরগনা মতম খরা থিংজিল্লগা সেনিটাইজ ফজনা তৌথোকপগী পাউ ঙহাক লৈতনা তানরিবসিনি। করিগীনো হায়বদা মখা তানা মী অতৈদা শন্দোরক্তনবগীনি। করিগুম্বা মফম খরদা লৈকায়/খুন অমদা মফমদুগী মতেক/কোল্লুপ অমদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদা মরী লৈনবা নারবা মীশক/মীশকশিংদুবুদি কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা/হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রবা মতুংদা লৈকায়গী/খুনগী ক্লবনা মরী লৈনবা দি সীগী য়াথং য়াওদ্রবসু কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে হায়না চে থেৎলগা থৌরি খাজিনবসি অতোপ্পা মীওইদা চেকশিন্নবা পাউজেল পীবনিনা ফৈ হায়বা তাই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈকায়/খুনদুদা লৈবা পোলিটিক্স তৌবা খরনা পোলিটিসিয়ন অমনি হায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক মশাগী কোল্লুপ্তা মীওই অমা/খরা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা মতাংদনা লৈঙাক্কী কোভিদকী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না লৈকায়/খুনদুমক্কী শরুক/মফম খরদদি হান্না কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে হায়না তৌখিবা অদুম হায়না নৌনা লৈকায়/খুনদুদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরল্লবদি তৌফম থোক্তব্রা হায়বা ৱাহংসি মফমদুমক্কী মীচম মীয়াম্না হংফম থোক্তব্রা/থোক্তে হায়না অকল-অরিং শীংলগা মচিন মেনবা য়াগদ্রা হায়বসি খন্থফম থোকই। ●

লাংথ্রে - মণিপুরগী লাইনীং-লাইশোন, নাট কলচরগা শাগোন্নরিবী লৈরাং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তশেংনা থোকখিবনি, পংকুই কুইবসু নৎত্রি। ইনাওনুপী অমা মবুক নাবনা হুমাং অকুপ্পী কাবমখৈ শিরে-শিরে হায়দুনা ফ্র-ফ্র ওল্লি। মাগীদু মমিৎ ওন্দবা হায়বদুনি, হৈ মেৎপা চাবদা মোরোক মশিংখা পাইশিনখিদুনা চাকখাওদা নপশিনখিবা ওইরমাল্লে। ডোক্তরগী মনাক্তা চৎসি হায়নরিঙৈদা য়ূম্লোন্নবা ইনেশিং অমনা শুমাংদা হৌরিবা লাংথ্রেদু মতোন অহুম থৎলগা পীশিনখি। মানা হায়বা মতুংইন্না ইনাওনুপীদো লাংথ্রেদু শায়রগা য়োৎশিল্লি। লাই অমা য়াওই হায়বদুমক্লি, নারিবা মফমদু কোখোক-কোখোক্তুনা লংথোকখিবগা চপ হেক মান্নরম্মী। ডোক্তরগী মথৌ তাখিদ্রে। লাংথ্রেগী মতিক ময়াইদি মসিনসু লোইদে। লাংথ্রেগী মতিক ময়াই চপ চানা খঙলবী ইনাওনুপীসিমক্কী মচানুপীদু ফুগ্রি মকুপ মকুপ থোক্তুনা খাংফম খঙদখৈ হাক্কচবা হৌরকপদা লাংথ্রে মনা ত্রোক ত্রোক শুরগা তৈবদগী ফখি। মখোয়গী মোলোম নোংলোমকাইদু চন্নখিদে। মহাক্তু বেঙ্গলোরদা বি এস সী নর্সিং তম্লিঙৈদা হান্নগী হাক্কচবীদু হৌরক্লবজাৎনি। মফমদুগী স্কিন ডোক্টর য়েংবদসু ফবা কৌবা লৈখিদ্রে। থা অমা ফানিংচিৎ ৱানা খাঙলবা মতুংদা লাংথ্রে থারকউ হায়রকপদগী লাংথ্রে ময়াম অমা থাখি। নিংঙাই মপি ঙাক্তনি মাগী ফুগ্রিশিংদুসু লাংথ্রে শুগাইবগী মহীদু নৎত্রবদি য়াদবীনি। অসিগুম্লবা মতিক মগুন লৈরবা লাংথ্রে অসি ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাও অসিগা ওন্থোক্লা চুনখ্রমাল্লে, মফম অমদা হেক থারুবদা হৌদবা য়াওদে। য়ূম অমগী শুমাংদা নৎত্রগা অতোপ্পা মফম অমদা হৌবা মরু ওইবা পাম্বীশিংগী মনুংদা লাংথ্রে অমদি তুলসি শীংথাবা য়াই। কনাগুম্বা খরনা তুলসিগী মহুত্তা শুমাং ময়ায়দা লাংথ্রে থানৈ। হীরম খুদিংমক্তা ইচনদা চন্নবনি। মরাং কায়না হৌবা মরম্না মমল লৈতবগুম্না খন্নবসু য়াওরম্বে ৱাদি খঙদে, লাংথ্রে য়াওদবা য়াদবা থৌরম ময়াম অমা লৈ। শীংথাবা য়াবা অমনা অসুক্কী মতিক মগুন ৱাংখ্রবা পাম্বী অসি ইরায় লায়না ফংবনরা, হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয়সিদদি সনা কৈথেলদা য়োন্দবা মমল য়াম্লবা লন অমা ওইরি। কনানা খঙবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা অমদি ঈরাৎ থৌনিদা চঙদবা য়াদবা পোৎচঙ ওইবনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি সনা কৈথেল য়ৌরকপা য়াই।

লাংথ্রে পাম্বী লমদম অসিগী লাই-তীনগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙনি। মৈতৈ য়ূম খুদিংমক্তা লেঙদনা থল্লগা ঈরাৎ থৌনিজরিবা ইমা লৈমরেন শিদবী অমদি লাইনিংথৌ সনামহীগী লৈহুন তম্লিবা লাংথ্রেনি। মসিদসু নত্তনা শজিবু চৈরাওবদা অমদি উমংলাই হরাউবগী থৌরমদা য়াওদবা য়াদবা লৈরাংনি। লাই-তীন থাজ ৱারীগী মতুংইন্না লৈরাং অসি গুরুগী শম্নুমদগী ওইখিবনি হায়না থাজনৈ। *লৈরোল তেঙথা* হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা অসুম্না শৈথারি, *মখা মায়কৈগী লাংথ কৌবা অথোইবা লমদা/চীংমী য়াম্না লৈবা মরেমগী অঙ্গোতাংদা/তখেল মচা লোইপোৎ কাবা লাংথ মচানা পুঙ তম্বা মফম/লাংথ খুল্লেন্দ পানবলৈ/লাংথ্রে লৈনুংশি/লানফমদা মালা কৌবা মিংনাইববু ফানবা লৈনি/লৈকায়গী ইংখোন্নুংদা লৈরাংনা পুমশং শংলক্লে।* উমংলাই হরাওবদা য়াওদবা য়াদবা পোৎচঙশিংগী মনুংদা লাংথ্রেসু মরু ওইবা পোৎচঙনি তাকপা খুদম অমা অনীদং লৌখৎচগে। কংলৈ হরাওবগী ঈকৌবদা য়াওবা লাংথ্রে পোৎচঙগী মতাংদা ওইনাম ভোগেশ্বরগী সেমিনার চে ***লাই হরাউবা (কংলৈ)*** দা থম্বীরম্বা মতুংইন্না লৈয়োমদা লাইনিংথৌগী লাংথ্রে মতোন তরামরি অমসুং লাইরেম্বীগী তরেৎ হাপকনি। খয়োমদা অহুম অহুম হাপকনি। লাই কৌখৎলুরবা মতুংদা মাইবীনা লাইনিংথৌগী লৈয়োম থোক্লগা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মরক্তা মপোপ মঙা থম্ববু নমঙালৈ হায়না খঙনৈ। লেমহৌবা মাপন অদু লাইনিংথৌগা শোক্লনা মাঙলোমদা থম্মী। তরেৎ অদুসু লাইরেম্বীবু শোক্লা থম্মী। লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী মরক্তা থম্বা মঙা অদু অহুম অমদি অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা লাইনিংথৌগীদা অহুম অমসুং লাইরেম্বীগীদা অনী থম্মী। লাইনিংথৌগী মশা শোক্লা থমখিবা মাপন অদু মাগী য়েৎ থংবদা খুবম য়ারিবা লাইবুংগী মপানগী ওইনা থম্মী।

সরোজনলিনীগী ***রিলিজন ওফ মণিপুর***দা ইরিবগী মতুংইন্না লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মরক্তা থারিবা লাংথ্রে মপোপ মঙা অদু অতিয়া গুরু শিদবদা কৎপনি। ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী ***ককচীং হরাউব***দসু ইবুধৌ খম্লাংবা হরাউবদা লাংথ্রেনা কল্লিবা মফম অদু মচা খায়না তাকই। লাই ঈকৌবদা য়াওবা ইরাই লৈমা, লাইয়িংথৌ, লাইরেম্মগী খয়োমশিংদা লাংথ্রে মপোপ মঙা মঙাসু লৈহুন তম্বা ওইনা য়াওই। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা লাইয়িংথৌগী মাপন অমদি গুরুগী মঙাবু মতোন য়ুংখৎলগা অমদি লাইরেম্মগী মঙানা মতোন হন্থরগা ঈকৌফুদা হাপকনি। লাই ঈকৌবগী থৌদাং পুরিবা মাইবগী খূরক্তা য়েপ্পা লাংথ্রেবু খূরক্লে হায়না খঙনৈ। মায়কৈ তাইবা ওইনা চেঙ অমদি লাংথ্রে মপোপ অমমম লা মরিদা হাপ্লগা মায়কৈ মরিদা থাদোকই। চহী খরগী মমাঙদা ককচীংদা লৈবা শেংগ্রোং লাইরেম্বী হরাউবা মনুংদা নোংমা হৈরুক কাবা চৎলি। লাংথ্রে মপোপ য়াওনা হৈ-লৈ খরা পুরগা চৎপনি। ঐনা পুজবা খরদু লাইমাঙদা হেক থম্বগা ইমা মাইবীনা য়াম্না হরাউনা লাংথ্রে য়াওরে হায়দুনা লৌশিনখিবদো পূক্লিংদা নুংঙাইবা অমা ফাওজখি। অসুম্না উমংলাই হরাউবা অমদি লাইগী ওইবা ঈরাৎ থৌনিদা য়াওদবা য়াদবা লাংথ্রেবু লমদম অসিগী মীয়াম্না কিনা লুনা লৌনরি। থৎনীংই হায়দুনা লাংথ্রে মপোপ পংথৎ থৎনদে। শেংনা ঈরু-মাইথজরবা তুংদা শুদোক চামথোক্লবা ফিশেং শেৎলগা খূবাক অহুল্লক খূরগা থৎনৈ। মদু লাংথ্রেগী মতিক ময়াই খঙবননি। লমদম অসিগী লাইনিং লাইচৎ অমদি নাট কলচরগা শাগোন্নরিবা পাম্বী অসিবু য়োকখৎপগী ৱাখল্লোন অসি তুংগী মীরোল মথং মনাও নাইনা থংথখিবদুনা মূৎনাইদবা ওইরসনু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।